

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, WEDNESDAY, NOVEMBER 01, 2017 **PAGE 7**


*ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মকোক থোংবা টিম অমা ওইরিবা চেলসি ফুটবোল ক্লবতা শান্নরিবা অদুগা মখা তানা চহী ১০ গী কন্ট্রেক্ট সাইন তৌননবা শেম শাদুনা লৈরিবা স্পেন মচা অলভারো মোরাটা*

*মথং থাদা বাহামাসতা পাঙথোক্কদৌরিবা হিরো ৱার্ল্ড চেলেঞ্জ গোল্ফ টুর্নামেন্টতা মতম শাংনা শোক্তুনা লৈরুরবা মতুং শরুক য়ারগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মেজর টাইটল ১৪ লৌবা ঙমখ্রবা য়ুএসকী টাইগর ৱুদ*

## ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরগা টেবলগী মকোক ওইদুনা ৱুমেন্স এসিয়া হোক্কি টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা কজাখষ্টানগা থেংনরগনি



ৱুমেন্স এসিয়া হোক্কি টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী ভন্দনা কটারিয়ানা মালেসিয়াগী মায়কৈদা বোল পুশিনখিবা

*কাকামিগাহরা, ওক্টোবর ৩১ঃ*

জপানগী সিটি কাকামিগাহরাদা লৈবা গিফু হোক্কি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৱুমেন্স এসিয়া কপ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেটচতা ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা টেবলগী মকোক ওইরগা ক্বার্টর ফাইনেলদা কজাখষ্টানগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়া অমসুং মালেসিয়ানা শান্নখিবা গ্রুপ (এ) গী অরোইবা অমদি অহুমশুবা লীগ মেটচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা অমনা অমবু হেঞ্জিনবা ঙম্নদনা লৈখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু মখোয়–মখোয়গী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাক–শেন্দুনা লৈখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

শান্নবগী অনীশুবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম অদুসু টিম অনীগী মায়কৈদগী অমনা অমগী গোল এরিয়া মনুংদা বোল পুশিন্দুনা শান্নবা ঙম্নখ্রবসু পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমগী মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইরিবা ভন্দনা কটারিয়ানা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মালেসিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা পাঞ্জল হেনবগী খুদোংচাবা লৌদুনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা ইদিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা গুরজিত কোরনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা পুল অসিগী মকোক ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা কজাখষ্টানগা লম্বা তৌনরগনি।

পুল অসিগী অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা চাইনানা সিঙ্গোপোরবু পাঞ্জল ৭–০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অদুদা চাইনাগী শান্নরোই জিয়াকি ঝোংনা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি।

চাইনাগী জিয়াকি ঝোংনা শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা চল্লবা মতুং শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা চনখি। মহাক্কী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা চল্লগা শান্নবগী অনীশুবা হাল্ফকী ৩৬শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমগা চনশিল্লগা সিঙ্গাপোরবু ৪–০ দা মাঙজিল থাখি।

অতোপ্পা চাইনাগী পাঞ্জল অহুম অদু শান্নবগী ৪৩শুবা মিনটতা চাইনানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা য়ি চেননা অমা, শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা য়ুৱান কিয়াননা অমা অমসুং শান্নবগী ৫৯শুবা মিনটতা টিং টিং ৱাংনা অমা চল্লগা মেটচ অদু চাইনানা সিঙ্গাপোরবু পাঞ্জল ৭–০ দা মায়থিবা পীখি।

ৱুমেন্স এসিয়া কপ হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিগী পুল (বি) গী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়ানা কজাখষ্টানবু পাঞ্জল ৯–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুদা সাউথ কোরিয়াগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৫ অদুগা শান্নবগী অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। অদুগা কজাখষ্টানগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা ভেরা দোমাসনেভানা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা চনবা ঙমখি।

পুল অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুম্বু জপাননা থাইলেন্দবু পাঞ্জল ৭–১ দা মায়থিবা পীখি।

## ইন্দিয়াগী নুপীগী সুট্টর হিনা সিধুনা কম্মনৱেল্থ সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা মিটর ১০ গী এয়র পিস্তোলদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে



কম্মনৱেল্থ গেমসকী মিটর ১০ গী এয়র পিস্তোল ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী হিনা সিধু (ময়ায়)

*ব্রিজবেন, ওক্টোবর ৩১ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি ব্রিজবেনদা পাঙথোকপা কম্মনৱেল্থ সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী সুট্টর হিনা সিধুনা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিস্তোল ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংখ্রে।

সিধুনা ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০ এয়র পিস্তোল ইভেন্ট অদুগী ফাইনেল রাউন্দদা পুন্না পোইন্ট ২৪০.৮ ফংলগা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াগী সুট্টর এলিনা গালিয়াবোবিস (পোইন্ট ২৩৮.২) অমসুং অতোপ্পা ওষ্ট্রেলিয়াগী সুট্টর কৃষ্টি গিলমান (পোইন্ট ২১৩.৭) বু মায়থিবা পীরগা গোল্ড ফংখিবনি।

কম্মনৱেল্থ সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ওইরিবা গালিবোবিটস গিলমাননা মথংশিংনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ ফংখি।

নীংশিংবা য়াবদি ন্যু দিল্লিনা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিদা লোইশিনখিবা আইএসএসএফ ৱার্ল্ড কপ ফাইনেলসতা হিনা সিধুনা মিক্স টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সুট্টর জিতু রাইগা পেয়র ওইরগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

ইভেন্ট অদুনা সিধু অমসুং জিতু রাইনা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা ওইখিবা ফ্রান্সকী পেয়রবু পোইন্ট ২.১৩ হেল্লগা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড ফংখিবনি।

ইন্দিয়াগী পেয়র অদুদা গোল্ড মেডল ফংখিবা অদুদা পুন্না পোইন্ট ৪৮৩.৪ ফংখিবা অদুগা ফ্রান্সকী পেয়র অদুনা পোইন্ট ৪৮১.১ ফংখি।

মসিগী মমাংদা চহী অসিগী মে থাদা জেক রিপব্লিকতা পাঙথোকপা গ্রান্দ প্রি ওফ লিভরেসন প্লাজা সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা হিনা সিধুনা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিস্তোলদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি।

ইভেন্টশিং অসি য়েংলুরগা চহী অসিগী ওইনা সিধুনা ইন্টরনেসনেল ইভেন্ট অহুম শরুক য়াবদা গোল্ড মেডল অনী অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল অমা ফংদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা য়াম্না ফজবা তাঙ্কক অদু ওইবা ঙম্লি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা কম্মনৱেল্থ সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী সুট্টর কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলিম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট গগন নারং ৪শুবা পোজিসন তাহৌখি। নারংনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ৬২৬.২ ফংলগা কম্মনৱেল্থকী রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখ্রবসু ফাইনেল রাউন্দদা মেডল ফংবা ঙমহৌদবনি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুমক্তদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর রবি কুমার ৫শুবা পোজিসন তাখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী কম্মনৱেল্থ সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী দিপক কুমারনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা গগন নারংনা মরিশুবা অদুগা রবি কুমারনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

## জেফ হেন্দ্রিকনা অথেংবদা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জলনা বর্নলেনা ন্যু কেষ্টল য়ুনাইটেদপু ইংলিস প্রেমিয়র লীগগী ১০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মায়থিবা পীখ্রে



বর্নলেগী শান্নরোই জেফ হেন্দ্রিকনা ন্যুকেষ্টল য়ুনাইটেদকী মায়োক্তা পাঞ্জল চনখিবা মতাং

*লন্দন, ওক্টোবর ৩১ঃ*

ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমাওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বর্নলেগী জেফ হেন্দ্রিকনা অথেংবদা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জলনা ন্যুকেষ্টল য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

বর্নলে অমসুং ন্যুকেষ্টলনা শান্নখিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ১০শুবা রাউন্দগী মেটচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকপদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা হাপচিন্নবা ঙম্নখিদে।

শান্নবগী অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা বর্নলেগী শান্নরোইশিংনা এটেক তৌবগী চাং হেঞ্জিল্লকখি। শান্নবগী অনীশুবা হাল্ফকী ৭৪শুবা মিনটতা বর্নলেগী শান্নরোই জেফ হেন্দ্রিক্লা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ন্যুকেষ্টল য়ুনাইটেদপু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী মেটচ অদু বর্নলেনা ন্যুকেষ্টল য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা টেবল অসিদা হান্না ৯শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ৭শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা ইটালিদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সেরি এ গী ঙসি শান্নখিবা ১০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্টরনা হেলাস ভেরোনাবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

টিম অনীনা অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপদা মায়কৈ অনীদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। শান্নবগী পুংখায় অমগী মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবদা স্কোর বোর্দতা পাঞ্জল অমত্তা হাপচিনবা ঙম্নখিদে।

শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা ইন্টরগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই বোর্জা বালেরোনা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা হেলাস ভেরোনাবু ইন্টরনা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদগী হেলাস ভেরোনাগী শান্নরোইশিংনা মখোয়গী মথক্তা চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা এটেক চথরকপা হৌরকখি। শান্নবগী ৫৯শুবা মিনটতা টিম অদুনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অদুগী গিয়ামপাউলো ফেয়র্সনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

শান্নবগী ৬৭শুবা মিনটতা ইন্টরগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা ইভান পেরিসিক্লা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা মেটচ অদু ইন্টরনা হেলাস ভেরোনাবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

স্পেনগী লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দিপোর্টিভো লা কোরুনানা লাস পলমাস পাঞ্জল ৩–১ দা থোইখ্রে।

অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা ইস্পানিওলনা রিয়েল বেটিসপু পাঞ্জল ১–০ দা থোইবা ঙমখি। অহানবা হাল্ফ টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং শান্নবগী অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা ইস্পনিওলগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা জেরার্দ মোরেনোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মায় পাকপা ঙমখি।

## চাইনাগী লিন দান অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী লি চোং ৱৈনা নুপাগী বেদমিন্টনদা খুদুম চল্লম্বগী মতম অদু লোইখ্রে ঃ স্রিকান্থ



*হায়দরবাদ, ওক্টোবর ৩১ঃ*

হন্দক্তা ফ্রেন্স ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোই কিদম্বি স্রিকান্থনা ঙসি হায়দরবাদতা লৈবা পুলেলা গোপিচান্দ একাদেমীদা মহাকপু ওকপগী থৌরম অমদা মালেমগী ওইনা চাইনাগী শান্নরোই লিন দান অমসুং ইন্দোনেসিগী শান্নরোই লি চোং ৱৈনা নুপাগী বেদমিন্টনদা খুদুম চন্দুনা লৈরম্বা অদুগী মতম লোইরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চৎলিবা চহী অসিগী থা ৫ গী মনুংদা পাঙথোকপা বেদমিন্টন সুপর সেরিজগী টাইটল ৪ লৌবা ঙমদুনা মশাগী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা তাঙ্কক অমদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী নম্বর ৱান সিঙ্গলস শান্নরোই কিদম্বি স্রিকান্থপু ঙসি হায়দরবাদতা লৈবা পুলেলা গোপিচান্দ বেদমিন্টন একাদেমীদা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

পনবা য়াই চহী অমদা সুপর টাইটল ৪ লৌবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী ওইনা স্রিকান্থনা অহানবা শান্নরোই ওইরি। অদুগা মালেমগী ওইনা মরিরকশুবা শান্নরোইনি।

মহাক্না থৌরম অদুদা পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখিবদা নুপাগী বেদমিন্টনদা চাইনাগী লিন দান অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী লি চোং ৱৈনা মতম শাংনা খুদুম চন্দুনা টাইটল ফংদুনা লাকপগী মতম অদু লোইখ্রে। হৌজিক্তি তোঙান–তোঙানবা অতোপ্পা শান্নরোইশিংনা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা অচৌবা টুর্নামেন্ট কয়া টাইটল লৌবা ঙম্বগী অচৌবা পাঙ্গল অদু লৈরে হায়খি।

মহাক মশামক য়াওনা দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেন অমসুং অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংসু অচৌবা টাইটল লৌবা ঙম্বগী চপ চাবা হৈথোই–শিংথোইবা অদু লৈরে হায়খি।

নীংশিংবা য়াবদি চহী অসিদা কিদম্বি স্রিকান্থনা অহানবা ইন্দোনেসিয়া ওপন, ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন, দেনমার্ক ওপন অমসুং ফ্রেন্স ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টাইটলশিং অদু লৌবা ঙমখিবনি।

পাউমীশিংনা মঙোন্দা লিন দান অমদি লি চোং ৱৈগী কেরিয়র অসি লোইশিল্লক্লব্রা হায়না হংখিবগী পাউখুমদা ফোঙদোক্লদুনা অরোইবা ৱাফম হায়বা ঙমদে। মরমদি মখোয়গী মশান্না অদু মশা মশাগী ওইনা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মফম ফাওবা পুখৎতুনা শান্নবা ঙমখি। মখোয়দা অমুক নৌহৌননা হান্নগী থাক অদু য়ৌরক্লবগী এক্সপরিয়েন্স অদু লৈ হায়খি।

চহী অসিদা পাঙথোকখিবা গ্লাসগোগী ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা চাইনাগী লিন দান ফাইনেল শান্নবা ঙমখিবনি। মরম অদুদা শান্নরোইশিং অসিনা মখা তানা অমুক ফজরকপগী খুদোংচাবদি অদুমক লৈরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মখা তানা চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা চাইনা ওপনদা করিগুম্বা টাইটল লৌবা ঙম্লবদি মহাক্না ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইবা ঙম্লগদ্রা হায়না পাউমীশিংনা হংখিবদা স্রিকান্থনা হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা পোইন্ট সিষ্টেম অসিগী মতুংইন্না মহাক্না নম্বর ৱান ওইফম থোকই হায়খি।


মহাক্কী ৱারোল অদুদা করিগুম্বা শান্নরোই অমনা লেপ্তনা ফজনা শান্নবা ঙম্লবদি রেঙ্কিংদি মতোমতা ইন্নজরক্কদবনি হায়খি। মহাক্না ৱার্ল্ড রেঙ্কিংগীদমক শান্নবা পামদে। শরুক য়াবা টুর্নামেন্ট খুদিংমক ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা পাম্মী হায়খি।

## দিদিয়র দেসকেম্পসকী কোচ ওইবগী মতম শাংদোকখ্রে

*পেরিস, ওক্টোবর ৩১ঃ*

ফ্রান্সকী নেসনেল ফুটবোল টিমগী কোচ ওইরিবা দিদিয়র দেসকেম্পসকী কোচ ওইবগী থৌদাং অদু কুমজা ২০২০ ফাওবা শাংদোকপদা য়ান্নরে হায়না ফ্রেঞ্চ ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্টনা ঙসি লাওথোকখ্রে।

ঙসি পেরিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফ্রেঞ্চ ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট নোয়েল লি গ্রেদনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মায়কৈদগী দিদিয়র দেসকেম্পসনা খ্বাইদগী ফজবা কোচনি মহাক্কী লম্বা তৌবীনবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।



ফ্রেঞ্চ ফুটবোল ফেদরেসনগী এগজিক্যুটিভ কমিতিগী মেম্বর খুদিংমক্লা দিদিয়র দেসকেম্পসকী কোচ ওইবগী কন্ট্রেক্ট শাংদোকখিবা অদুদা য়েৎনবা লৈতনা অয়াবা পীখি।

মশাগী চহী ৪৯ শুরবা দিদিয়র দেসকেম্পসকী অনৌবা কন্ট্রেক্ট অসিনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুরোপিয়ান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফাওবা ফ্রান্সকী ফুটবোল কোচ ওইনা লৈরগনি।

মমাঙদা ফ্রান্সকী কেপ্টেন ওইরম্লবা শান্নরোই দেসকেম্পসনা লৈবাক অদুগী কোচ ওইনা ২০১২ লোরেন্ট ব্লাঙ্ককী মহুৎ শিল্লকপনি।

## আর্জেন্টিনাগী দিএগো শ্বর্টচমেন অমসুং স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজ রোলেক্স পেরিস মাষ্টর্সকী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

পেরিস, ওক্তোবর ৩১ঃ

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চথরিবা রোলেক্স মার্ষ্টস টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচশিংদা আর্জেন্টিনাগী দিএগো শ্বর্টচমেন অমসুং স্পেনগী ফিলিসিয়ানো লোপেজ মায় পাকখ্রে।

শ্বর্টচমেনন মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদু সার্বিয়াগী ভিক্টর ত্রোইকিগা লম্বা তৌনখি। মদুদা অহানবা সেট অদু শ্বর্টচমেননা ত্রোইকিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩দা থোইখি।

অনীশুবা সেটতা ত্রোইকিগী মাইকৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা সেট মান্ননবা লাক্লরকখি। অদুবু শ্বর্টচমেননা মতাং চানা অমুক হন্না ব্রেক অমা তৌদুনা ৬–৪দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এস এ গী জোন ইস্নরগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেনগী শান্নরোই ফিলিসিয়ানো লোপেজনা ফ্রান্সকী পেরিয়ারি হুগেস হরবর্টকা লম্বা তৌনবদা সেট ২–০দা থোইখি।

অহানবা সেট অদু লোপেজনা ত্রাই ব্রেকতা ৭–৬ (৭–৪) দা থোইখি। অদুগী মতুং অনীশুবা সেট অদুদা লোপেজনা ৬–৩দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা লোপেজনা ফ্রান্সকী অতোপ্পা শান্নরোই লুকাস পোলিগা লম্বা তৌনরগনি।

উরুগুৱেগী শান্নরোই পব্লোপ কিপাসনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ অদু রুসিয়াগী খাসানোবকা শান্নবদা ৬–৪, ৬–২ তা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী রমোস বিনোলাসকা লম্বা তৌনরগনি।

পোর্টুগালগী জোআ সৌজানা ইটালিগী পাউলো লোরেঞ্জিপু ৬–৪, ৭–৫ দা মায়থিবা পীদুনা রোলেক্স পেরিস মাষ্টর্সকী অনীশুবা রাউন্দদা ১৩শুবা সিদেদ আর্জেন্টিনাগী দেল পোত্রোগা লম্বা তৌনরগনি।